## দেবয়ানি খোব্রাগাদে ইন্দিয়াদা হল্লকখ্রবা মতুং য়ু এস দিপ্লোমেট ইন্দিয়াদগী তাহ্নোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ঃ** ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট দেবয়ানি খোব্রাগাদেনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াদা হল্লকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াদা লৈবা অমেরিকান দিপ্লোমেট ঙসি ইন্দিয়াদগী তাহ্নোকখ্রে।

দেবয়ানি ঙসি য়ু এস ওথোরিটিনা মপূং ফাবা দিপ্লোমেটিক ইম্ম্যুনিটিগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা চৎপা য়াহল্লকখিবনি। মদুগী লমন খুন্বা ওইনা ইন্দিয়ানা ফম অদুগা চপ মান্নবা দিল্লিদা লৈবা য়ু এস দিপ্লোমেট অদু ঙসি ময়ূম লমদমদা চৎহনখিবনি।

পাউ অদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা খোব্রাগাদে ফাখিবা কেস অদুগা মরী লৈননা য়ু এসকী ন্যু দিল্লিদা লৈবা এম্বেসি অদু ময়ূমদা হলহনখিনবগী ফিরেপ লৌখি। য়ু এসনা মখোয়গী লমদা লৈবা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেটপু মহাক্কী য়ূমদা মতেং পাংনবা লৈবা সঙ্গিতা রিচার্দকী পীফম থোকপা শেনফমশিং পীদবা অমদি ভিসাদা অরানবা তৌবগী মরাল শীখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী মরক্তা ঙরাং অথেংবদা য়াম্না কন্না য়েৎনরবা মতুং খোব্রাগাদেবু লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়াবগী ফিভম অদু ওইরকখিবনি।

খোব্রাগাদেনা মপূং ফাবা দিপ্লোমেট ইম্ম্যুনিটিগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা লাকপদা মহাক্কী অঙাং ওইরিবা মচা অনী পুখিদনবা খঙহল্লকখিবা লৈখি। চহি ৩৯ শুরবী ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট অদু য়ুমাকৈশা নুমিত্তা য়ু এসকী জি–১ ভিসানা অয়াবা পীদুনা য়ু এস থাদোকপা য়াবগী ৱাফম খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

# মেইন ভি আম অদাম কেম্পেননা মীওই ক্রোর অমা হেন্না খোমজিন্নবা হোৎনরি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ ঃ** আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না ইং ২০১৪দা পাঙথোক্কদবা জেনরেল ইলেক্সন্দা মীৎয়েং থল্লদুনা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তগী পার্টি অদুগী মেম্বরশিং খোমজিন্নবা হোৎনরি।

পার্টি অদুগী মেম্বর ওইবদা ফি ওইনা লুপা ১০ চঙলি। দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মেম্বরশিপ খোম্বগী থবক চথরি। লোয়ননা পার্টি অদুদা য়াওবদা মেম্বরশিপ ফি লৌদনা য়াওহন্নবা হোৎনরি। জানুৱারি ২৬ ফাওবগী মনুংদা পার্টি অদুগী মেম্বর ক্রোর অমা য়াওহন্নবগী পান্দম থল্লি।

কেজ্রিৱালনা মখা তানা পাউমী–শিংদা ফোঙদোকখিবদা পার্টি অদুদা য়াওগদবা মীওইশিং মরু ওইবা দায়ত্ব লৌবা মীওইশিং ওইগদবনি। লোয়ননা পার্টি অদুনা য়াওরক্লিবা মীওইশিং অদুবু খনগৎকনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পার্টি অদুদা য়াওনিংবা মীওইশিংনা ফোন নম্বর ০৭৭৯৮২২০০৩৩দা মেসেজ ওইনা নৎত্রগা ফোন তৌরকপা য়াগনি হায়খি।

পার্টি অদুদা য়াওগে হায়রকখি–বশিংগী মনুংদা মীয়াম্না মশক খঙনরবা জর্নেলিষ্ট অসুটোসসু য়াওরি। অসুটোস হৌজিক পার্টি অদুদা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা য়াওরগনি। অদুম ওইনমক, দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অদুনা মঙোন্দা পীবা জেদ প্লসকী সেক্যুরিটি লৌ হায়বা য়াখিদে। হায়রিবা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিটি অদু য়ু পি সরকারনা মঙোন্দা পীননবা ওফর তৌ–রকখিবনি।

আম আদমি পার্টিগী 'মেইন ভি আম অদাম' হায়বা কেম্পেন অদুনা জনুৱারি ২৬ ফাওবা মেম্বর খোম্বগী থবক চথগনি। হায়রিবা কেম্পেন অদু চৎলিবা চহি অসিগী জনুৱারি ২৬ চথবগা লোয়ননা কেম্পেন অদু পার্টি অদুগী লুচিংবা গোপাল রাইনা লুচিংগনি।

কেম্পেন অদু চথনবগীদমক আম আদমি পার্টিগী নেসনেল ইগজেক্যুটিভ মীফম নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরবা মতুং ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়রি।

মীটিং অদুদা য়াওখিবা লুচিং–বশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা আম আদমি পার্টি অয়াম্বা লোক সভাগী সীটশিংদা মীখল থেংনগনি। মীখল অদুদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবশিং ফোঙদোক্লখি।

নেসনেল ইগজেক্যুটিভ মীটিং অদুদা পার্টি অদুনা ফোঙদোকখিবদা লোক সভাগী সীট ৩০০ দা আম আদমি পার্টিনা মীখল থেংনগনি। মদু মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেটশিংদা মরু ওইনা থেংনগদবনি হায়রি।

পার্টি অদুনা মরু ওইনা ফোঙ–দোকখিবদা দিল্লিদা লৈবা লোক সভাগী সীট ৭মক্তদা পার্টি অদুনা মীখল থেংননবা ৱারেপ লৌরে হায়খি। দিল্লিগী মতুংদা আম আদমি পার্টিনা মখোয়গী মীখলগী থেংনগদবা খ্বাইদগী চাউবা লানফম অদু হরিয়ানাদা ওইগনি হায়রি।

এ এ পিগী স্পোক্সপর্সন য়োগেন য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা হরিয়ানাগী লৈরিবা লোক সভাগী সীট ১০দা মীখল থেংনগনি। লোয়ননা ষ্টেট অদুগী সীট ৯০ লৈবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দসু পার্টি অদুনা থেংননবা ৱারেপ লৌরে হায়খি।

হরিয়ানাগী এসেমব্লি মীখল অদু চৎলিবা চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবনি। লৈবাক অসিগী ওইবা জেনরেল ইলেক্সনগা মরী লৈনদনা ষ্টেট অদুদা এ এ পিনা এসেমব্লি মীখল অদু থেংনগনি হায়খি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পার্টি অদুগী মেনিফেষ্টো চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ থাদা ফোঙলগনি। পার্টি অদুগী মরু ওইবা কেম্পেনদি করপশনগী মায়োক্তা লৈবা হায়বসিনা ওইগদৌরি।

নৌনা লিংখৎলকখিবা পার্টি অদুনা লোক সভাগী অয়াম্বা সীটশিংদা মীখল থেংননবা হোৎনরি। অদুবু করম করম্বা সীটশিংদা মীখল থেংনগদগে হায়বদুদি লেপথোক্ত্রি হায়না য়োগেন্দ্র য়াদবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা মীয়াম্না পার্টি অদুদা য়াওরকপা নত্তে। লৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা তৌবা তঙায়ফদে হায়না খনদবনি। দিল্লি ইলেক্সনগী মতুংদা পার্টি অদু অঙকপা মওংদা হাইগৎলক্লি। লোয়ননা পার্টি অদুদা মীওই ক্রোর কয়া য়াওহন্নবা কেম্পেন চথরি। অদুম ওইনমক, পার্টি অদুনা ভি আই পি কলচর অমসুং করপশনবুদি য়াদে হায়রি।

পার্টি অদুদা য়াওননবগীদমক লুপা ১০ মেম্বরশিপ ফি ওইনা লৌই। অদুমওইনমক ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা ফি লৌবগী ৱাফম অদু লৌথোকখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পার্টি অদুদা য়াওনিংলবদি হান্নগী লুপা ১০না ফি ওইবা অদু য়াওদনা পার্টি অদুদা য়াওবা য়ারগনি হায়খি।



## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালং খোঙচৎতা লময়ানখিবা শাশিং

*মীওইবনা মালংদা পাইদ্রিঙৈদা খুৎশু খুৎলায়শিং অমদি মপোৎ–মচৈশিং চাংয়েং তৌনবা শাশিংবু হান্না থাই। রোকেট অমদা হাপ্লগা ইহান হান্না থাখিবা অদুবু স্পেসতদি য়ৌখিদবা শা অমা হায়বা তারগদি এলভর্ট ৱান হায়বা য়োং অসিনি। য়োং অসি জর্মনগী ভি–২ রোকেট অমবু য়ু এস এয়ার ফোর্সকী ওইনা ওম্থোক্লগা ইং ১৯৪৮ দা এবর্টপু থাখিবনি। মহাক্কী মতুংদা চৎখিবা এলবর্ট–টু দি চাংয়েং মনুংদা শিখি। অদুম ওইনমক ইং ১৯৫১ গী সেপ্তেম্বর ২০ দা য়োং অমগা উচি ১১ গা য়ু এস এরোবি হায়বা রোকেট অদুদা থাখি।*

*য়ু এস এস আরনা ইং ১৯৫৭ কী নভেম্বর ৩ দা থাখিবা স্পুটিনিক–২ হায়বা রোকেট অমদা য়াওখিবা 'লাইকা' হায়বী হুই অমোম অদুনা ওর্বিটতা ইহান হান্না চৎপা শা ওইখি। মহাকপু মালেমদা অমুক পুরক্নবা পাম্বৈ লৈখিদবদগী স্পেসতা নুমিৎ ১০ নি লৈরম্লগা শিখি। মসিগী মথংদা ইং ১৯৬০ গী ওগষ্ট ১৯ দা বেলকা অমদি ষ্ট্রেলকা হায়বা হুই অমোম অনিসু মালংদা থাগৎখি। কোন্না ষ্ট্রেলকানা পোকপা মচা ৬ কী মনুংদা অমা য়ু এস প্রসিদেন্ট জোন এফ কেনেদিদা খুদোল তৌখি।*

*ইং ১৯৬৩ গী ওক্টোবর ১৮ দনা ফ্রান্সকী ভেরোনিক এ জি আই হায়বা রোকেট অসিদা ফেলিক্স কৌবা হৌদোং অমা হাপ্তুনা স্পেসতা থাগৎলুরগা অশোই অঙাম য়াওহন্দনা পেরাচুটতা মালেমদা অমুক তাহল্লকখি।*

*ইং ১৯৫৯ গী মে ২৮ দসু এবল অমদি বেকর হায়বা স্কুৱাইরেল মঙ্কি অনিসু য়ু এস এ দগী থাগৎখি। মখোয় ওর্বিটতা পাইবদি ফংদনা মালেমদা অমুক হল্লকখি।*

*ইং ১৯৬১ গী নভেম্বর ২৯ দা ইনোজ হায়বা চিম্পাঞ্জি লাবা অমনা মালেম্বু অনিরক কোইরুরগা হিংনা হল্লকখি। য়ু এস এস আরগী মালেম কোইরুবা ইহান হানবা য়োং অনিদি এব্রেক অমদি বায়েন হায়বসিনি। মখোয় অনিনা ইং ১৯৮৩ গী দিসেম্বর ১৪ দা মালেম কোয়খি। মসিগী মতুং তাবদা থেঙ্গু, উচি, তিন–কাংশিং, ঙা অমদি হঙোইনচিংবসু স্পেসতা মথং–মথং থাগৎখি।*

## কিরন বেদি অমসুং ভি কে সিংহ বি জে পিদা য়াওরক্লবা বার্ত্তণ তৌগদৌরি



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ম স্বামিনা ঙসি ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী আর্মিগী চিফ জেনরেল ভিকে সিংহ অমসুং অন্না হজারেগী মপাং ওইবা চৎমিন্নবা মীওই ওইরিবা কিরন বেদিবু পার্টি অদুদা য়াওননা বার্ত্তণ তৌরগনি হায়খ্রে।

বার্ত্তণ তৌবগী ৱাফম অদু আই পি এস ওফিসর কিরন বেদিনা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দর মোদিবু থাগৎ ৱাহে ফোঙদোকখিবা মতুং ফিরেপ অদু লৌখিবনি হায়রি।

বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা কিরন বেদি অমসুং জেনরেল সিংহনা য়ানীংবা ফোঙদোকখি। মদুগীদমক কিরন বেদি অমসুং বি কে সিংহবু পার্টি অদুদা য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখি।

কিরন বেদিনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা, কনাগুম্বা মীওই খরবু য়েংলি, লৈবাক অসিবু লমজিংবা ঙম্বা মীওই নৎত্রগা পার্টি লোয়ননা তংদু–লৈতাবা ফিভম অমা পুরকপা ঙমগদবা মীওইশিংদা মহাক্না সপোর্ট তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, করপশনগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা মীওই পূম্নমক কংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মায়োক্তনি। অদুবু অকক্লবা পার্টি অমত্তদা মরাল শীবগী ৱাফমদি লৈতে। ওইরক্লিবা ফিভম অসি অকনবা ঈহৌনি। চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিং অদু কংগ্রেসনা সরকার পায়রিঙৈ মনুংদনি। মদুদা বি জে পি সরকার পায়বা য়াওদে। খুদম ওইনা কোলগেট, টু জি, সি দব্লিয়ু জি মশীং থাবা য়াই।

তশেংনা হায়রগদি ৱাথোক অদু সি দব্লিয়ু জিদগী হৌরকখিবনি। শক্তি পায়রকখিবা পার্টি অদুনা লোক পাল বিল পাস তৌহনবা পামখিদবনি হায়রি।

কিরন বেদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী অহানবা ওইনা খনবদি তংদু–লৈতাবা, নীংথিনা সাশন তৌবা অমদি শেল–থুমগী থবক থৌরমশিংদা মমুৎ তানা থবক পায়খৎপা অসিনি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা হং পার্লিয়ামেন্ট ওইহনগ–দৌরিব্রা হায়না হংবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা লাক্কদৌরিবা মীখলদা হং পার্লিয়ামেন্ট শোয়দনা ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুম্না হং পার্লিয়ামেন্ট ওইরবদি ঐখোয় পূম্নমক লৈখা তারক্লগনি।

লৈবাক অসিনা অমত্তা ওইনা খনগদবদি বি জে পি অসি লৈবাক অসিগীদমক নেসনেল পার্টি অমা ওইরক্লে। কংগ্রেস পার্টিগুম্বা ৱাথোক কয়াগা লোয়নরবা পার্টি অমদি নত্তে। মহাক্না করিগীদমক কংগ্রেসতা ভোট পীগদৌরিবনো। ভোট পীনবগীদমক অতোপ্পা পার্টি কয়া লৈরি। হৌজিক মীখলনা থোঙজিন্দা লেপ্লরে। কনাগুম্বা অমত্তদা ভোট পীনিংবগী ৱাখল লৈতে। অদুবু কংগ্রেসকা চৎমিন্নবা মখোয়না খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা পার্টিশিংদদি ভোট পীরোই হায়না ফোঙদোকখি।

## টি ভি চেন্নেলশিংগী নৌনা চৎনগদবা নিয়মশিং কেবিনেট য়াখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ ঃ** ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা টি ভি চেন্নেলশিংদা চৎনগদবা নিয়মশিংগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফম ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা টি ভি চেন্নেল অমসুং অতোপ্পা প্রাইভেট টি ভি চেন্নেলশিংদা চৎনগদবা নিয়মশিং খঙহনবগা লোয়ননা চেন্নেল খূদীংমক্না নিয়মগী মতুং ইন্না রেজিষ্টার তৌগদবনি হায়রি।

হৌজিকমক্কী ওইনা অদুগুম্বা টি ভি চেন্নেলশিং অদুদা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টনা শেল থাদবগী অয়াবদি লৈত্রি নৎত্রগা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টনা মদুগী শরুক অমা ওইনা সরকারগা য়ানবগী মতুং ইন্না মখোয়গী মখা তারকপা থবক পায়হৌবশিংনা তৌবা য়াবা থবকশিংগী মতাংদসু গাইদ লাইন অদুনা অয়াবা পীরি।

কম্পনি অমা নৎত্রগা মহাক্না চৎমিন্নবা কাঙবুশিং নৎত্রগা অন্দর টেকিং ওইনা শম্নবা কাঙবুশিংনা নিয়মগী মতুং ইন্না ব্রোদকাষ্ট তৌবা অমসুং এদভর্টাইজ তৌবা লোয়ননা এদভর্টাইজিং এজেন্সিশিং লাক্কদবা শেনফমগী চাদ ১০ ওথোরিটিদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

টেলিকোম রিগুলেটরি, ওথো–রিটি ওফ ইন্দিয়ানা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পীরকখিবা নিয়মগী মতুং ইন্না চেন্নেলশিং অদুনা রেজিষ্টার তৌবা, রেজিষ্টার তৌবা য়াবগী ফিভম, থবক পায়বগী মওং ভাবকশিংগী অপাম্বা অমসুং মদুদা লাকপা কমপ্লেন্টশিংগী মতাংদা মমুৎ তানা পল্লি।

চৎনগদবা নিয়মশিং অদু কেবল টি ভি দাইরেক্ট টু হোম অমসুং টেরিষ্ট্রিয়েল টি ভিশিংদা মরু ওইনা এপ্লায় তৌগনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা পেনেল অদুনা হায়রিবা টি ভি চেন্নেলশিং অদুনা পীরিবা মওংশিং অদু চপ চানা য়েংশিনবগা লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বসু সর্ভে তৌগনি হায়রি।


## অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা অমুক হন্না সেক্যুরিটি লৌ হায়বা য়াখিদ্রে

**ঘাজিয়াবাদ, জনুৱারি ১০ ঃ** উত্তর প্রদেশ পুলিসনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা সেক্যুরিটি ফোর্স লৌননবা হায়রকখিবা ৱাফম অদু ঙসি মহাক্না য়াখিদ্রে হায়না আম আদমি পার্টিগী মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মখল অমত্তগী ওইবা সেক্যুরিটি লৌ হায়বা য়াদ্রে। মহাক্কী ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা লেপ্লি হায়খি।

ঘাজিয়াবাদ পুলিসকী সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ধর্মেন্দ্রনা ফোংদোকখিবদা, ঙরাং অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা সেক্যুরিটি ফোর্স লৌননবা খঙহনখি। শগোলশেন নুমিৎতা চৎনবীগী মতুং ইন্না চীফ মিনিষ্টর অদুদা ফোর্মেল ওইনা চিঠি ইবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্স লৌননবা খঙহনখি।

চীফ মিনিষ্টর অদুগী ফিরেপ হৌজিক ফাওবা ঙাইদুনা লৈরি। মঙোন্দা সেক্যুরিটি পীনবগীদমক জিপসি অনী লোয়ননা পুলিস পর্সনেল ২৮ মহাক্কী পর্সনেল সেক্যুরিটি ওইনা পীননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি।

ঙরাং হিন্দু রক্ষা দলগী মীওই খরনা আম আদমি পার্টিগী কৌসাম্বিদা লৈবা ওফিসতা এটেক চথরম্বা লৈখি। কৌসাম্বি হায়রিবা মফম অদু অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী য়ূমগা পংলাপ লাপ্পদনা লৈবা মফম্নি হায়রি।


## মাওইষ্টশিংনা সরেন্দর তৌগদবনিঃ সিন্ধে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ ঃ** য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুশিলকুমার সিন্ধেনা ঙসি ইন্দিয়া মাওইষ্টকী স্পোক্স পর্সন গুমুদা ভেলি ভেনকতকৃষ্ণ প্রসাদ এলাইজ গুদসা উসেন্দিনা খূৎলায় থাদোক্তুনা সরেন্দর তৌরকপদা তরাম্না ওকখ্রে। মহাক্কী ৱারোলদা অতোপ্পা মাওইষ্টকী কাদরশিংনা মহাক্কী খুদুং ইন্দুনা শান্তি পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়খি। ৱাফম অদু সিন্ধেনা ভেনকটকৃষ্ণ প্রসাদনা সরেন্দর তৌরকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

## লম্বীগী এক্সিদেন্টতা স্কুল তম্লিবা ছাত্র মরি শিরে

**মুম্বাই, জনুৱারি ১০ ঃ** মহারাষ্ট্রা ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেশনগী বস অমগা সিমেন্ট পুরকপা ত্রক অমগা মহারাষ্ট্রাগী বুলধানা দিষ্ট্রিক্টতা থেংজিন্নবদা বস অদুদা তোংলকপা স্কুল তম্লিবা ছাত্র ৪ শিরে, ৭না অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে।



থৌদোক অদু বুলধানা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মলকাপুর লমদমদা লৈবা নেশনেল হায়ৱে নম্বর–৬তা ঙসি অয়ুক পূং ৭ লোম তাবদা থোকখিবনি।

সিমেন্ট পুরকপা ট্রক অদুনা হায়ৱে অদুদা কা–হেন্না য়াঙনা থৌরকপদগী কন্ট্রোল ঙমদদুনা ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অদুদা থেংজিল্লক–খিবনি হায়রি। বস অদু বুলধানাগী কাটি লমদমদগী মলকাপুর তম্না থৌরকখিবনি।

বস অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর অয়াম্বা স্কুল তম্লিবা ছাত্রনা অয়াম্বা ওইখি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং টেঙ্কর অদুগী দ্রাইভর পুলিসনা ফাখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনবগা লোয়ননা অতোপ্পশিং শোকহন্নবা হোৎনবগী মরালদা মোটোর ভেহিকল এক্ট পান্দুনা ফাগৎখি। লোয়ননা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লমদম অদুগী লোকেল কোর্ট অমদা দ্রাইভর অদু পুথোক্তুনা ৱায়েল চথখ্রে।

*হিন্দু* পাউচেনা ফোঙলকপগী মতুং ইন্না ত্রক দ্রাইভর অদুনা গারী অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অদুদা থেংজিনবদগী অদুগুম্বা খুদোংথিবা অদু থোকহন–খিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা ছাত্রশিং অদু ষ্টেট অদুনা চল্লাইবা হোস্পিটা–লদা পুখৎতুনা লায়েংলি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

## য়াশিন্ননবা পীরকখিবা ওফর দেবয়ানি খোব্রাগাদেগী অপোকপনা রিজেক্ট তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০ ঃ** পূং খরগী মমাঙদা ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট দেবয়ানি খাব্রাগাদেবু ভিসা ফ্রাওদকী মরালদা দোল্লর কয়া ফাইন তৌখ্রবা মতুং ঙসি মহাক্কী অপোকপনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খোব্রাগাদেবু লৈবাক অদুদা অদুমক লৈননবা অমদি চয়েৎনরিবা ৱাফম অদু য়াশিন্ননবা হায়রকপদু রিজেক্ট তৌখ্রে।



খোব্রাগাদে ইন্দিয়াগী নীংতম্বগীদমক লাম্থেংনরিবা মীশকনি। উত্তম খোব্রাগাদেনা হায়খিবদা, মহাক্কী চহি ৩৯ শুরবী মচানুপীগী ফিরেপ হোংদনা লৈরি। চথগদবা কেসশিং অদু ইন্দিয়াগী কোর্ট অমদা চথগদবনি।

ঙসি দেবয়ানি খোব্রাগাদে য়ু এসতগী মপূং ফাবা দিপ্লোমেটিক ইম্যুনিটিগা লোয়ননা লৈবাক অদু থাদোক্কনি। য়েৎনরিবা ৱাফম অদু মপান লৈবাক্তা কেস চথবগী মহুৎ ইন্দিয়াগী কোর্ট অমদা পুরকপনা য়াশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা মরম ওইগনি।

থবক্তগী পোত্থারবা দেবয়ানিগী অপোকপনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ফিলরশিং থারক্তুনা ৱাফম অদু য়াশিন্নবা দেবয়ানিগী মশাগী ওইবা ৱাফমদা খন্নগদবনি। মহাক্না য়ু এসতা মখাতানা লৈথবসু য়াই। অদুম ওইনদি মঙোনদা পীরকখিবা ওফর অদু মশানা য়াদে।

মহাক ইন্দিয়াগী ওইনা চাউথোকচরিবা মীওইনি। মহাকনা ইন্দিয়াগী নিংখা তম্বনা হেন্না লুনা লৌই। মহাক মশাগী ওইবা ৱাফমদগী লৈবাক্কী ওইবা ফমদনা হেন্না লুনা লৌজবা মীশকনি।

ইং ১৯৯৯গী ইন্দিয়ান ফোরেন সর্ভিসকী ওফিসর অদুবু অরানবা মরাল শীজিনদুনা ন্যু য়োর্ককী গ্রান্দ জুরিনা ফাইন ওইনা শেনফম কয়াসু লৌখৎখ্রবনি।

য়ু এসকী মতুং ইন্নদি খোব্রা–গাদেগী মথক্তা লৈরিবা মরাল অদু অদুমক লৈগনি। মহাক ৱায়েল শোয়দনা মায়োক্লগনি। মহাকনা য়ু এসতা মপূং ফানা দিপ্লোমেটিক ইম্যুনিটিগা লোয়ননা হল্লক্ত্রবদি হায়রিবা ৱাফমশিং অদু মহাক্কী মথক্তা লৌখৎকনি হায়না য়ু এসকী এটোর্নি প্রিট ভারারানা দিষ্ট্রিক্ট জজ শিরা সেলনদলিনদা ইরকপা চিঠি অমদা ফোঙদোরক্লি।


